১২ শুবা য়োল্লো কপ অন্দর-১৫ বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# আর দি ৱাই সী পুখাও নহারুপ, ওরিসা কৈবি মায় পাকখ্রে, এ এন এন এল কে অমদি ৱাই এস সী দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচএনএস)ঃ দি য়ং লর্নস লাইব্রেরি এন্দ লিদিং ওর্গনাইজেসন (য়োল্লো) কৈবিনা শীন্দুনা প্রাইমরি স্কুল গ্রাউন্দ কৈবি ইম্ফাল ইষ্টতা চথরিবা ১২ শুবা য়োল্লো কপ অন্দর-১৫ বোইজ মণিপুর ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা আর দি ৱাই সী পুখাও নহারুপ, ওরিসা কৈবি মায় পাকখ্রে। অদুগা এ এন এন এল কে অমদি ৱাই এস সী দ্রো চৎখ্রে।



তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুকয়াদুনা চথরিবা ১২ শুবা য়োল্লো কপ অন্দর-১৫ বোইজ মণিপুর ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসিগী অহানবা মেচ ওইনা এস এস সী শওম্বুং অমসুং আর দি ৱাই সী পুখাও নহারুপ লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী টিম অনীনা হেনজিন্নবা ঙম্নদনা শান্নখি। মেচকী ৪শুবা মিনটতা আর দি ৱাই সী পুখাও নহারুপকী শান্নরোয় জর্সিনম্বর ৭ শীটলনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। মিনট ৩ কান্নরগা টিমসিগী শান্নরোয় জর্সিনম্বর ১০ মালেমঙানবনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২-০দা অমুক লৈহনখি। পাঞ্জল অনী শোথরিবা এস এস সী শওম্বুংগী শান্নরোয়শিংনা ফজরবা এটেকশিং চথরকখি। মেচকী ১২শুবা অমদি ১৭শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় লনচেনবা অমসুং সুভাসনা পাঞ্জল অনী মথং মথং চনশিন্দুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ২-২দা লৈহনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা আর দি ৱাই সী পুখাওগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা শান্নরম্বা মওংদগী তোঙান তোঙানবা টেক্লিক কয়া পুথোক্তুনা তকখায়রকখি। অহানবা হাফতা পাঞ্জল অমা চনখিবা মালেমঙানবনা পাঞ্জল অনী মেচকী ৩২শুবা অমসুং ৩৩শুবা মিনটতা চনশিন্দুনা মেচ অদু ৪-২দা লৈহন্দুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। মেচ লোইবা ফাওবদা এস এস সী শওম্বুংগী শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী শোথরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু আর দি ৱাই সীগী মখূৎতা পাঞ্জল ২-৪দা মায়থীহৌখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা এ এন এন এল কে শওম্বুং অমসুং ৱাই এস সী লৈতানপোকপী লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা অমনা অমবু হেনজিন্নবা ঙম্নদনা শান্নখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা টিম অনীনা পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখি। এ এন এন এল কে শওম্বুংগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ শিভাশ অমসুং জর্সি নম্বর ৬ ইন্দ্রকুমারনা চনখি। অদুগা ৱাই এস সী লৈতানপোকপীগী পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সিনম্বর ৪ সুরজ অমসুং জর্সিনম্বর ৭ অবোয়না চনখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দদা সী দল্লিয়ু সী নুঙ্গোই অমসুং ওরিসা কৈবি শান্নখি। মেচ হেক হৌবগা ওরিসা কৈবিনা য়াম্না লাকচনা শান্নরকখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা ওরিসা কৈবিনা সী দল্লিয়ু সী নুঙ্গোইবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখি। মায় পাক্লবা ওরিসা কৈবিগী পাঞ্জলশিং অদু লনচেনবা জর্সি নম্বর ১৩না মেচকী ১৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনখি। অদুগা রোমেস জর্সি নম্বর ১৪না মেচকী ৩২শুবা অমদি ৩৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল অহুম চনখি।

অনীশুবা এস দি এ য়ু ট্রোফি-২০১৯

# পি য়ু বি জি এফ সী অংথা অমসুং ৱাই দি এ তেন্থা মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচএনএস): সোসিএল দিবলপমেন্ট এঠলেটিক য়ুনিয়ন (এসদিএয়ু) তেকচমনা শিন্দুনা তেকচম হায় স্কুল গ্রাউন্দ, তেকচমদা চথরিবা অনীরকশুবা এস দি এ য়ু ট্রোফি-২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা পি য়ু বি জি এফ সী অংথা অমসুং ৱাই দি এ তেন্থা মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ২২না শরুকয়াদুনা চথরক্লিবা অনীরকশুবা এস দি এ য়ু ট্রোফি-২০১৯ গী ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা এ আই এফ এফ ইরেংবন্দ অমসুং পি য়ু বি জি এফ সী অংথা শান্নখি। মেচ অদুদা পি য়ু বি জি এফ সীনা খরা লাকচরপ তৌনা শান্নখি। ক্বার্টর ফাইনেল চঙনবা টিম অনীনা শান্নখিবা মেচ অদুগী ৬শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ২১ বিপিন্না মহাক্কী টিমগী পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। মেচকী ১৭শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ১১ বিনান্না পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২-০দা লৈহনখি। মখা তানা বিপিন্না চথরকখিবা এটেক অমদা মেচকী ২০শুবা মিনটতা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চনশিন্দুনা ৩-০দা লৈহনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এ আই এফ এফ ইরেংবন্দগী মায়কৈদগী মখোয়গী শোথরিবা পাঞ্জল অদু অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা পাঞ্জল ৩ শোথরিবা এ আই এফ এফ ইরেংবন্দগী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা এটেকশিং চথরকখি। অদুবু পি য়ু বি জি এফ সীগী দিফেন্স লাইন লীংনা লৈখিবনা মখোয়গী এটেকশিং অদু অরেম্বা তাখি। মেচ লোইবা ফাওবদা এ আই এফ এফ ইরেংবন্দনা পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদবদগী পি য়ু বি জি এফ সীনা পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

অনীরকশুবা এস দি এ য়ু ট্রোফি-২০১৯ গী অনীশুবা গ্রাউন্দদা ৱাই দি এ তেন্থা অমসুং এল কে আর দি এ লংথবাল লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী হৌনা ৱাই দি এ তেন্থানা এল কে আর দি এবু য়াম্না লাকচনা শান্নখিবনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা ৱাই দি এ তেন্থানা এল কে আর দি এবু পাঞ্জল ৬-১দা মায়থীবা পীখি।

মায় পাক্লবা ৱাই দি এ তেন্থাগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ জেনসন্না মেচকী ২শুবা, ২৮শুবা অমদি ২৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল অহুম চন্দুনা হেটট্রিক লৌখি। জর্সি নম্বর ১২ নোংদম্বনা মেচকী ১১শুবা, ৩১শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী চনখি। জর্সি নম্বর ১৮ শান্তিকুমারনা মেচকী ৩৯শুবা পাঞ্জল অমা চনখি। মায়থীহৌরবা এল কে আর দি এ লংথবালগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু জর্সি নম্বর ১০ বর্লিননা মেচকী ১০শুবা মিনটতা চনখি। মেচ অদু ৱাই দি এ লংথবালনা এল কে আর দি এ লংথবালবু পাঞ্জল ৬-১দা মায়থীবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

হিল দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস মীট ২০১৯

# দি এস এ উখ্রুল, সী সী পুর মায় পাকখ্রে, ৱিমেন্স বোল্লিবোলদা সেনাপতি অমসুং সদর হিলস খুমাঙ চাওশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচএনএস): কাংপোকপীগী বৃগেদিয়র এম থোমাস গ্রাউন্দদা চথরিবা মঙাশুবা ইন্টর হিল দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস মীট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা দি এস এ উখ্রুল অমদি সী সী পুর মায় পাকখ্রে। অদুগা ৱিমেন্স বোল্লিবোলদা সেনাপতি অমসুং সদর হিলস খুমাঙ চাওশিনখ্রে। অদুগা ঙরাং শান্নখিবা মেচতনা দি এস এ উখ্রুলনা দি এস এ তমেংলোংবু মায়থীবা পীখ্রে। হৌজিক ফাওবদা দি এস এ সেনাপতিনা মেচ অদুদা গোল ৮ চন্দুনা হায়েষ্ট স্কোর তৌবা টিম ওইরি।

অহানবা মেচতা দি এস এ উখ্রুল অমসুং দি এস এ সেনাপতি শান্নখিবা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা দি এস এ উখ্রুলনা দি এস এ সেনাপতিবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা মেচতা দি এস এ চুড়াচান্দপুর অমদি দি এস এ চান্দেল শান্নখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা দি এস এ চুড়াচান্দপুরনা দি এস এ চান্দেলবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখি।

বৃগেদিয়র এম থোমাস গ্রাউন্দদা চথরিবা ৱিমেন্স বোল্লিবোল মেচকী অহাবা মেচতা দি এস এ সেনাপতিনা দি এস এ তমেংলোংবু মায়থীবা পীখি। অনীশুবা মেচতা দি এস এ সদর হিলসনা দি এস এ চুড়াচান্দপুর য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীখি। অদুগা অহুমশুবা মেচতনা দি এস এ চান্দেলনা দি এস এ তমেংলোংবু মায়থীবা পীখি। হয়েংগী অহানবা মেচ ওইনা দি এস এ সদর হিলস (জেএসৱাইসী) অমসুং দি এস এ চুড়াচান্দপুর লম্বা তৌনগনি। অদুগা অনীশুবা গ্রাউন্দনা দি এস এ সেনাপতি অমসুং দি এস এ তমেংলোং শান্নগনি। অদুগা ৱিমেন্স বোল্লিবোলগী অহানবা মেচতা দি এস এ সদর হিলস অমসুং দি এস এ উখ্রুল লম্বা তৌনগনি। অনীশুবা মেচতনা দি এস এ চান্দেল অমসুং দি এস এ সেনাপতি শান্নগনি। অহুমশুবা মেচতনা দি এস এ উখ্রুল অমসুং দি এস এ চুড়াচান্দপুর লম্বা তৌনগনি হায়রি।

## সুব্রটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস): দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদবা ষ্টেট লেভেল ইন্টর সুব্রটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী চহী ১৪ অমসুং ১৭ মখাগী নুপামচাগী মেচশিং থা অসিগী ৬তগী ১৩ ফাওবা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি।

ষ্টেট লেভেল ইন্টর সুব্রটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ওপননিং ফঙ্কসন্না খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ৬কী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা হৌগনি হায়রি।

## রোয়িং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস): মরিশুবা ইন্দিয়ন নেসনল রোয়িং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ চহীসিগী সেপ্টেম্বর ৭ অমসুং ৮দা বিহারগী পটনাদা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর রোয়িং এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এস শ্যামকিশোরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ানীংবা দিষ্ট্রিক্ট রোয়িং এসোসিএসনশিংগী রোৱর অমসুং ক্লবশিংনা মণিপুর রোয়িং এসোসিএসনগী সেক্রেটরি অমসুং প্রসিদেন্টদগী খঙবা য়াগনি। লোয়ননা জুলাই ৮ ফাওবগী মনুংদা মীং পীশিনগদবনি হায়রি।

## সুশিলকুমার অমদি জোতিনকুমার খনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (এ এম এস এ) গী ওফিস বিয়রর খন্নবগী জুলাই ৩১দা মপাল কাংজৈবুংদা লৈবা এসোসিএসন অসিগী হোলদা পাঙথোকখিবা মীটিং অমগী মতুং ইন্না দল্লিয়ু সুশিলকুমার অমসুং এন জোতিনকুমারবু কুমজা ২০১৯-২০২৩গী ওইনা রিটর্নিং ওফিসর অমসুং এসিষ্টেন্ট রিটর্নিং ওফিসর ওইনা খল্লে হায়না অস্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

ইন্টর রেঞ্জ সী আর পি এফ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# আগরটলা রেঞ্জ, দিব্রুগর রেঞ্জ, ইম্ফাল রেঞ্জ মায় পাকখ্রে, গুৱাহাটি রেঞ্জ অমসুং কোহিমা রেঞ্জ দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচএনএস): মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরস, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী লমজিং মখাদা গ্রুপ সেন্টর সী আর পি এফ লাংজিং ইম্ফাল রেঞ্জনা শীন্দুনা লাংজিংদা লৈবা গ্রুপ সেন্টর সী আর পি এফকী ফুটবোল গ্রাউন্দদা চথরিবা ইন্টর রেঞ্জ সী আর পি এফ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা আগরটলা রেঞ্জ, দিব্রুগর রেঞ্জ, ইম্ফাল রেঞ্জ মায় পাকখ্রে। অদুগা গুৱাহাটি রেঞ্জ অমসুং কোহিমা রেঞ্জ দ্রো চৎখ্রে।

তোঙান তোঙানবা সী আর পি এফ রেঞ্জ ৮গী টিমনা শরুক য়াদুনা চথরিবা ইন্টর রেঞ্জ সী আর পি এফ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী অহানবা ইন্টর রেঞ্জ সী আর পি এফ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী অহানবা মেচ ওইনা গুৱাহাটি রেঞ্জ অমসুং কোহিমা রেঞ্জ লম্বা তৌনখি। টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেচ অদু অমনা অমবু হেনজিন্নবা ঙম্নদবদগী পাঞ্জল ৩-৩দা দ্রো চৎখি।

গুৱাহাটি রেঞ্জগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ৮ দিবি বনারানা মেচকী ২শুবা, জর্সি নম্বর ১৮ এম সরতচন্দ্রনা মেচকী ১৯শুবা অমদি জর্সি নম্বর ১০ এম টি ঙরামিনা মেচকী ৬৫শুবা মিনটতা চনখি। অদুগা কোহিমা রেঞ্জগী পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১৯ গোবিন্দ রাজবন্সিনা মেচকী ২২শুবা, জর্সি নম্বর ১৫ সী কেমরান্দিনা মেচকী ২৮শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ৪ সুমরাতা চক্রবতিনা মেচকী ৫৯শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা বোঙ্গাইগাওন রেঞ্জ অমসুং আগরটলা রেঞ্জ লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী হৌনা আগরটলা রেঞ্জনা বোঙ্গাইগাওন রেঞ্জবু য়াম্না লাকচনা শান্নদুনা পাঞ্জল ৯-০দা মায়থীবা পীখি। মায় পাক্লবা আগরটলা রেঞ্জগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ কে বোরোনা মেচকী ৬শুবা, ৩২শুবা অমদি ৪৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল ৩ চনখি। জর্সি নম্বর ১৭ পারিমালনা মেচকী ১৩শুবা, ২৬শুবা অমদি ৫০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অহুম চনখি। জর্সিনম্বর ৫ বিকি বাসুমাত্রিনা মেচকী ১৯শুবা অমদি ৩৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী চনখি। জর্সি নম্বর ৯ প্রসান্ত মান্না মেচকী ৪০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দদা দিব্রুগর রেঞ্জ অমসুং সিলচর রেঞ্জ লম্বা তৌনখি। মেচ হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবদা দিব্রুগর রেঞ্জনা সিলচর রেঞ্জবু য়াম্না লাকচনা শান্নখিবনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা সিলচর রেঞ্জবু পাঞ্জল ১০-০দা মায়থীবা পীখি।

দিব্রুগর রেঞ্জগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৫ পি কে বাসুমাত্রিনা মেচকী ৮শুবা, ১৯শুবা, ৩১শুবা অমসুং ৩৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল ৪ চনখি। জর্সি নম্বর ২২ জোসেপনা মেচকী ১২শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনখি। জর্সি নম্বর ১০ মানিক মিয়ানা মেচকী ৪১শুবা ৪৬শুবা অমদি ৪৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল ৩ চনখি। অদুগা জর্সি নম্বর ৮ পি কুমারনা মেচকী ৪৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা পূন্না পাঞ্জল ১০ চনখি। মেচ অদুদা সিলচর রেঞ্জগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদবদগী দিব্রুগর রেঞ্জনা পাঞ্জল ১০-০দা মায় পাকখিবনি।

গ্রুপ সেন্টর সী আর পি এফকী ফুটবোল গ্রাউন্দদা চথরিবা ইন্টর রেঞ্জ সী আর পি এফ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসিগী মরিশুবা গ্রাউন্দদা ইম্ফাল রেঞ্জ অমসুং খটখটি রেঞ্জ লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী টিম অনীনা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। মেচকী ৮শুবা মিনটতা ইম্ফাল রেঞ্জগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৮ সন্তোসনা মহাক্কী টিমগী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি।

সন্তোসনা চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা খটখটি রেঞ্জগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা হোৎনরবসু হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচকী ২৪শুবা মিনটতা ইম্ফাল রেঞ্জগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১১ লেননা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২-০দা লৈহনখি। মেচ লোইবা ফাওবদা খটখটি রেঞ্জনা শোথরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু মায়থীহৌখি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৫।০৭।২০১৯ ইং, ইরাই, ইঙেলগী ৩নি পানবা।

**মেষ:** মরুপ মপাংগী মতেং ফংবা ৱাংকনি, অরিবা শেল অমদি থবক পন্দুনা লৈগনি। ঙাংথোকপদা থাগৎপিবা লৈগনি অমদি য়েক্লবদি ময়েং তাগনি, লৈফম ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা।

**বৃষ:** লাইবক ফগনি, মীপাইরম্বা কোকচদুনা নিংজবা থবক পাংবা ঙমগনি, মফম কনবা ঙমগনি অমদি শেল ফংগনি। মহু চাওবদগীদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- মাই পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

**মিথুন:** নথক থোংবনা চানবীবা ৱাৎকনি অদুনা ৱানোম ৱাচৎ য়াদে। ৱাখলসু ইথোক থোকলোই অদুনা হান্নদগী হৈনরকপা থবকতুদি পাংবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী-খাংবা কল্লু।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা।

**কর্কট:** নিংবা শোইদনা থুংগনি অমদি মীচং হেনগৎকনি। অশাওবা অমদি নাপলনা শেল চৎপা অমদি কাইনবা নংগনি। লৈঙাক্কী থবক্তা মাংগনি, নোল্লুক্তা চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

**সিংহ:** নিংবা মপা চারোই অমদি ঙমলোইদবা থবক্তা হোয়া ফগনু। শেল চিনবতা নত্তনা লৌশিংসু ৱাৎকনি। য়েৎনরগনা মাংগনি। পংশিন্নবগী কান্নবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- খাংবা কল্লু।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা।

**কন্যা:** মীয়াম্না চানগনি, ওইজ ওইথক য়াম্না ফংলনি, মরুপ নত্রগা পন্দুনা লৈরুবা শেল ফংবৈ নুংঙাইবা লৈগনি। নিংবা মপা চাগনি, লল্লোন ইতিক্তা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

**তুলা:** হুরানবনা য়েংথিবা লৈ, নোল্লুকত্রদি মীকোক থোংবা ৱাৎকনি, লম চৎপা কান্নবা ৱাৎকনি। হকচাংদি নুংঙাইগনি, মীয়ামগী থবক পাংবা মাই পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংজবা থুংগনি ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

**বৃশ্চিক:** লাইবক ফবা ৱাৎকনি অদুবু ঙসিসু পনলম্বা শেল-থুম অমদি ইকাই খুম্নবা ফংগনি। হকচাংদি খরা নুংঙাইগনি অদুবু শোকপা য়াবা থবক পাংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মীগী মতেং ফংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

**ধনু:** অফা অপুন্নবা থবক পাংগে খনগনু। অকিবদি কোক্লনি, য়েক্লবা মাংখিনি অমদি লৌশিং খরা ৱাৎকনি। নক্লবনা খুরৌ চেনবা পীগনি। নচাক নরল চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা।

**মকর:** নিংবা থুংগনি অমদি কান্নবা লৈ, অদুনা অফবা থবক পাংহৌবা ফগনি থাজদবা মরমদগী অরাপ্পদগী কান্নবা ফংগনি। মীয়ামগা লৈনবা মরিদি ফবা ৱাৎলি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা।

**কুম্বা:** ললোন ইতিক কান্নগনি, অনা অয়েক লৈরম্বা ফরনি, ৱাখল লৈ, অদুনা খন্থরগা পাংবা থবক খুদিং শোইদনা মাই পাক্কনি। অশাওবনদি মাংহনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ /চিনি অঙাংবা।

**মিন:** মতম মাংবনা হেনগনি অদুনা খুৎচাও থাগনু। ইমুং মনুং ৱাতান্নবা ইয়া য়ানদবা অমদি মরুপ্না চোপহনবা য়াবা লৈ। য়েৎনবা থবক খুদিং মাই পাক্লনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱা য়াম্না ঙাংগনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/ কিসমিস।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## ৱেষ্ট ইন্দিজনা অফগানিস্তান থোইখ্রে




লিদস, জুলাই ০৪ (এজেন্সী)ঃ আই সি সি ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপকী ঙসি লিদস সিটিদা লৈবা হেদিংলে ক্রিকেট গ্রাউন্দদা ৱেষ্ট ইন্দিজ অমসুং অফগানিস্তাননা মখোয়গী অরোইবা লিগ মেচ শান্নখিবা অদুদা ৱেষ্ট ইন্দিজনা রন ২৩দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুগী টোস ৱেষ্ট ইন্দিজনা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। মীয়াম্না ঙাইনখিবা খৃস গেলগী অচৌবা স্কোর অদু ঙসিসু মহাক্কী অরোইবা ৱর্ল্ড কপ মেচ অদুদা তৌবা ঙমখিদে। রন ৭ লৌরম্লগা আউট ওইখি।

টিম অদুগী মায়কৈদগী সাই হোপনা রন ৭৭ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইখি। ওপনর লেৱিস অমসুং নিকোলাস পুরানগী রন ৫৮/৫৮ য়াম্না মরু ওইখি। লোয়ননা কেপ্টেন জেসন হোল্ডরনা বোল ৩৪দা রন ৪৫ লৌরম্বা অদু পনবা য়াই। ওভর ৫০দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ৩১১ টিম অদুনা লৌখি।

অফগানিস্তাননা মায় পাক্লনবা রন ৩১২ লৌননবা হোৎনরকপদা ওভর ৫০দা ৱিকেট ১০মক আউট ওইরগা রন ২৮৮ খক লৌখিবদগী ৱেষ্ট ইন্দিজগী মখুৎতা মখোয় রন ২৩দা মায়থীবা নংখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী ইক্রম অলিনা রন ৮৬ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী য়ামখি। রহমদ সাহগী রন ৬২, অগানগী ৪০ অমসুং জদ্রানগী ৩১না অফগানিস্তান মায়থীবদগী কনবা ঙমখিদে।

## নেদর্লেন্দস ৱর্ল্ড কপ ফাইনেল চঙখ্রে




দিসিন্স চার্পো, জুলাই ০৪ (এজেন্সী)ঃ ফ্রান্সকী সিটি দিসিন্স চার্পোদা লৈবা ওলিম্পিক পার্কতা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফিফা ৱুমেন্স ৱর্ল্ড কপকী অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা নেদর্লেন্দসনা স্বিদেনবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

নেদর্লেন্দসকী টিম অসি ফিফা ৱর্ল্ড কপকী ফাইনেল অমুক ফাওবা য়ৌবা ঙমখিদ্রিবনি। মখোয়না য়ুরোপকী চেম্পিয়ন ওইদুনা ৱর্ল্ড কপ অসিদা অফবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙম্বগী মঙলান অমগা লোয়ননা লাকখি। মখোয়গী লম্বা ওইখিবা স্বিদেনগী টিম অসিসু ৱর্ল্ড কপ অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা জর্মনি মায়থীবা পীবা ঙমখি। লোয়ননা প্রি ক্বার্টরদা কনাদাবু থোইরমখি।

ঙরাংগী সেমি ফাইনেল মেচ অদুগী অপীবা মিনট ৯০ অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল ওইবা য়াবা খুদোংচাবা কয়া ফংলবসু স্কোর তৌবা ঙমদনা মশান্না অসিগী কাংলোনগী মতুং ইন্না পুংখাই অমগী এক্সত্রা টাইম হাপ্পুনা শান্নরকখি।

এক্সত্রা টাইমগী অহানবা হাফকী ৯ শুবা মিনটতা নেদর্লেন্দসকী মায়কৈদগী গ্রোনেন্না য়াম্না ফজবা পাঞ্জল চনখিবা অদুনা মায় পাকপা ওইদুনা নেদর্লেন্দসনা ফাইনেলদা মমাঙগী চেম্পিয়ন য়ু এস এগা থেংনরগনি।



HL-B/5528/3/7-1sept.

RaDiant Group
Celebrating
1 year completion



RaDiant e-ride
AUTHORISED DEALER
OFFER

| Models | Old Price | New Price |
|---|---|---|
| Arjun Rickshaw | ₹ 151064 | ₹ 137940 |
| Krishna Rickshaw | ₹ 176326 | ₹ 150820 |
| E-Loader | ₹ 164454 | ₹ 141380 |
| Futura Miracles | ₹ 75240 | ₹ 67450 |
| Race 60 | ₹ 78310 | ₹ 70450 |

RADIANT E-RIDE
GHARI AWANG LEIKAI, AIRPORT ROAD
✆ 9366288858
SANGAIPROU, NINGTHEMKOL
✆ 7085040962
THOUBAL ATHOKPAM
✆ 6009025091
MOIRANG PATLOU LEIKAI NEAR FISH MARKET WARD NO. 1, MOIRANG
✆8787743072
HL-B/5441/4july to 4 Aug.

LOAN AVAILABLE



EMPLOYMENT NEWS

| Sl. no | POST | QUALIFICATION | VAC | SALARY | AGE | BRANCH |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Assistant Legal Advisor | LLB/LLM | 2 | Negotiable | 25-35 | H.Q |
| 2. | Office Assistant | 10+2 (Computer Know) | 2+2+2 +2+2 | Negotiable | 18-25 | Sekmai, Samurou, Thoubal, Kakching, Nambol, Moirang |
| 3. | Grade-IV | VIII Passed | 3 | Negotiable | 18-25 | H.Q |
| 7. | Driver (Car/Tata) | 3 to 5 yrs. experience | 5 | Negotiable | 18-25 | H.Q |
| 8. | Mechanic(2/W & 4/W) | VIII Passed | 3+2 | Negotiable | 18-35 | H.Q |
| 9. | Security/GUNMAN | VIII Passed | 5 | 6,500-15,500 | 18-25 | H.Q |



L.G. MOTORS FINANCE
CONTACT No.:- 9774495994/8731978490
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI(H.Q),IMPHAL
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
OFFICE HOUR:
10.00AM TO 4.30PM
HL-B/5527/3/7-31aug.

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com